# মতম কুইনদগী মঙজরকখিবা মীয়ামগী মঙলান ...

*লমায় ১গী মখা...* ফজমল্লে হায়দুনা লৈবাক অসিদা মর্জ তৌখিব্রা খঙদে হায়রদুনা হৌজিক ঐখোয় সিক্যুওর ওইরিব্রা, সিক্যুওর ওইগে হায়রবদি দাটাশিংদগী খঙগদবনি। সিটিজনগী হক ফংহনগে হায়রবদি মখোয় অসি কনা কনানো খঙদোক্কদবনি। কুমজা ১৯৬১দা বেজ তৌরবসু য়াই অদুবু মরু ওইরিবদি সিটিজনশিং কনানো হায়না মশক খঙদোকপদুনি হায়খি।

মোসন অসি খন্নরকপদা বি জে পিগী এল রামেশ্বর, জে দি-য়ুগী অবদুল নাসির, এন পি পিগী নুর হাসন অমসুং থোঙাম শান্তিসু শরুক য়াখি।

মোসন অসিগী পাউখুমদা হাউসকী লিদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুর পোপ্যুলেসন কম্মিসন লিংখৎখ্রে, মপান্দগী ওফিসর অমা পুরক্লগা দিরেক্টর হাপখ্রে, য়ু এনদা ইন্দিয়ানা রিফ্যুজি ষ্টেটসকী খূৎয়েক তৌনবা য়াওদে। মরম অসিনা ম্যান্মারদগী লাকপশিংবু রিফ্যুজিগী ষ্টেটস পীনবগী মফম লৈতে। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরনা মীওইবগী মীনুংশি য়েংলদুনা বাইওমেত্রিক লৌরো, মীৎ স্কেন তৌরো অদুগা মখোয়গী লৈফম শেল্লগা থল্লো হায়রকপদগী থবক লৌখৎপনি। য়ারগদি হলহনখ্রো, য়াদ্রগনা থবক অসি পায়খৎলগা থম্নবা হায়রকপদগী তৌবনি হায়খি।

মমাঙদদি কোভিদ মায়োক্লখিবনা নংহৌদবদগী হন্দক্কী টর্মসিদগী হৌবনি। মসিদা কনাগুম্বা কম্যুনিতি অমদা নুংঙাইতবা লৈতে। লেটপাও হাওকিপ, টি ঐচ বসন্তকুমার অমসুং অৱাংবৌ ন্যুমাই য়াওবা কেবিনেট সব কম্মিটি শেমদুনা থিগৎপা হৌখিবনি। চুড়াচান্দপুরগী ফি শাফমদা মীওই ২০০ খরা হেনবা ফাদুনা থম্মী। শজিৱা জেলগী মনাক্কী হোমদসু থম্মী। অহানবা হৌরকপদা মীওই ২৪৮০ ফংখি হায়রদুনা হোম মিনিষ্টরনা হায়রকখিবদু ম্যান্মারগী ফীভম খরা ফগৎলগা হলহনখো হায়বনি।

কুমজা ১৯৬১গী ম্যান্মারগী মিলিটরি কূ অমসুং ১৯৮৮কী ঈহৌ অদুগা হন্দক্কীসিগা অহুল্লক শুবনি। ফীভম অসি ম্যান্মারগা য়ূমলোন্নরুবদগী ফংবা চৈথেংনি। অদুম ওইনমক মোসন অসিগী মতুংইন্না হাউসনা এন আর সীগী মতাংদা রিজোলুসন লৌবদি অফবা খোঙথাংনি হায়রদুনা পোপ্যুলেসনদা ঐখোয় য়াম্না কিনীংঙাই ওইরে। কুমজা ১৮৮১গী সেন্সসকা কুমজা ২০০১গা চাংদম্নবদা মীতৈ ফূরুপ অসি চাদা ৫৯.১৬ লৈরম্বদু হৌজিক চাদা ৪৪.৯০দা হন্থরক্লে। সেদ্যুল্ড ত্রাইবনা চাদা ৩৮ লৈরম্বদগী ৪০.৮৮দা হেনগৎলক্লে। মীতৈ পাঙলনা চাদা ২.২১ ওইরম্বদগী ৮.৪০দা হেনগৎলে। অতৈ অতৈ ফূরুপশিংদা নেপালি, বেঙ্গোলি অমদি অসামিজনচিংবশিংনা চাদা ০.৫ লৈরম্বদগী ৫৮.২দা লৈরে। হেনগৎলক্লিবা অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবনা সাইকোটনা মকোক্তা লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা হাউসকী লিদরনা মোসন অসিগী মতুংইন্না হান্নসু ওগষ্ট ৫, ২০২২দা লৌখিবা রিজোলুসন অদু অমুক হন্না রিএফার্ম তৌবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগীদমক অকক্লনা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না এন আর সী চৎনহনবীনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হায়জবা হায়বগী রিজোলুসন পুখৎলকপদা হাউসনা অয়াবা পীখি।

# এম এল এ রঞ্জিৎকী ৱাহংদা ...

*লমায় ১গী মখা...* লোইখ্রিবদুনি, য়াম্না লূবনি হায়বা ৱাফম খোন কল্লপ্না ফোঙদোরকখি।

ৱাহং অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা কাঙলূপকী ঈরাং লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিস পর্সনেল ৯ শিরগা ৯৮ শোকখি। সেন্ত্রেল ফোর্সকীনা পর্সনেল ৩ শিরগা ৬৯ শোকখি হায়না ফোঙদোকখি।

ঈরাং মনুংদা লৈখিদবশিং কনা কনানো, কমদৌনা অমদি কদাইদা লৈখিদবনো হায়বগী মতাংদদি চীফ মিনিষ্টরনা সেন্সিটিভ অমসুং পর্সনেল ওইবনা পাউখুম পীখিদে। অদুমকপু পুলিস পর্সনেল ৯গী মনুংদা ৮গী ইমুং মনুংদা এক্স গ্রেসিয়া পীখ্রে, লেমহৌরিবা অমগীসু পীনবা হোৎনরি হায়খি।

শুগুনুদা এম এল এনা কম্মিটি শেম্বদগী তুমখ্রিবনি হায়রকখিবা ৱাফমগী মায়োক্তা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা মণিপুর পূম্বদা মীশি মীনা য়াওরবসু শুগুনুদা নুমিৎ কয়ানি ঈংনা লৈখিবনি। মফম অসি পাক চাউই হায়রদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সকী কম্পেনি ৪ পীবিয়ু হায়জখিবদা লৈঙাক্লা পীরকখিদে হায়রদুনা স্পিকরদা ওনশিল্লগা মসিগী মতাংদা হাউসনা শোর্ট দ্যুরেসন দিস্কসন ওন্থোকপীবা য়ারগদি ওন্থোকপীয়ু। নীংথিজনা ঙাঙনজগে হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকখি।

# চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা ...

*লমায় ১গী মখা...* তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মালেম থোঙাম (২৬) কী হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা পোরোম্পাৎ পি এসকী ও সীনা লুচিংবা জেনিমসকী মেদিকেল টিম অমনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মফমদগী লৌখৎলগা লায়েংশঙ অসিদা ত্রিটমেন্ট চথবা হৌখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক মালেম থোঙাম মশানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদদি মহাকপু খোঙজং চঙশিনফমদগী পুলিসনা মেদিকেল ষ্টাফশিংগা লোয়ননা লৌখৎলত্তুনা জেনিমসতা থল্লবসু মহাক্লা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি ফংদ্রিবা ফাওবদি চরা হেনবগী খোঙজং মখা তানা চঙশিনখিগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মহাক্কী খোঙজং অসি অহানবদা দেল্লীদা চৎতুনা চঙশিনবা হৌরুবদা দেল্লী পুলিসনা ফাবদগী থাদোরক্লবা মতুংদা ইম্ফালদা হল্লত্তুনা মখা তানা চঙশিল্লকখিবনি।

# ওপোজিসনগী মোসন লৌখৎলক্তে হায়বা ...

*লমায় ১গী মখা...* পুথোক্তুনা খন্নগদবনি। হন্দক্কী সেসন অসিগীদি ইরাই নুমিৎ অসি নোংমখক্তমক ফংলে হায়বগা লোয়ননা মমাঙ থাগী ২৪দা মীতৈগী এম এল এ/মিনিষ্টরশিংনা কংলা মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ অদু কনাগুম্বা ফূরুপ অমগী মায়োক্তা নত্তে। ৱারেপশিং অদু হেন্না চেৎশিলহন্নবা হাউসতা পুথোক্তুনা খন্নসি হায়বদা করিগীদমক পুথোরক্ত্রিবনো হংখি।

লোয়ননা ওপোজিসনগী ওইনদি মণিপুরদা এন আর সী চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌবদা চপ য়ুংনা শৌগৎলি অদুবু ওপোজিসনননা পুখৎপা প্রাইভেট মেম্বর রিজোলুসনশিংদি অমত্তা লৌখৎলক্তে হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসিদা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রসু য়াওশিল্লত্তুনা পেন্দবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ওপোজিসন এম এল এশিংনা পুখৎখিবা মোসন হাপ্লত্তবগী মরমসু চপ চানা পীদে। মরম অসিনা করি মরমগীনো হংলদুনা ঐখোয় হাউসকী মেম্বর অমা নৎত্রা হায়না স্পিকরদা হংখি। নাকল অনীগী মরক্তা তৌনরকখিবা অৱাই অখুম কনখৎলকপদগী স্পিকরনা মীফম মনুংদা স্পিকরদা ক্বেসন তৌনদে, ঙাঙলিবা ৱাহৈশিং হন্দোকপনা ফগদবা মাল্লি হায়রকপগা লোয়ননা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রবু ফমথনবা খঙহনখি। অদুগা মখা তাবদদি স্পিকর অমা ওইবগী থবক লৌখৎলক্কনি হায়না ফাওবা ৱার্নিং তৌখি।

স্পিকরনা ফম্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা য়াওবীনীংদ্রগনা মপান্দা থোকপীরগসু য়াগনি হায়রকপদগী চরাংনবা হেনগৎলত্তুনা ওপোজিসন মেম্বরশিংগী মাইক্রোফোনশিং মূথৎখি।

ৱাফম অসিদা হান্না স্পিকর ওইরম্লবা টি ঐচ লোকেশ্বরসু য়াওশিল্লত্তুনা চয়োল অমদা নোংমখক ফংবা তাঞ্জা ওইবনা প্রাইভেট মেম্বর রিজোলুসন অমখক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা হীরমদা ৫ ফাওবা পুথোকপা য়াই হায়বা মহাক্কী ওবজার্ভেসন থমখি।

অদুম ওইনমক হাউসতা মখা তানা চরাংনরকপদগী ওপোজিসন এম এল এ ৫ হাউসতগী থোকখ্রগা ওপোজিসন লোবিদা লৈখি। তুংদা স্পিকরনা হাউসকী মীফম থা অসিগী ৪ ফাওবা এদজের্ন তৌখ্রবা মতুংদা ওপোজিসন এম এল এ ৫না এসেমব্লিদগী থোক্লত্তুনা পাউমীশিংগা উনবদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়, কুমজা ২০২২গী ওগষ্টতা মণিপুরদা এন আর সী চৎনহন্নবগী ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিন্নবা হাউসনা লৌখিবা ৱারেপ অদুসু অদুমক সপোর্ট তৌই, ঙসিগী ৱারেপসু শৌগৎলি। লমদমসিদা থা ১০ লোইশিনবা নাইদনা থোক্লিবা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা সেন্টরনসু, ষ্টেট লৈঙাক্নসু সোল্যুসন পুথোক্ত্রে। ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা মতেং খরা ওইগদ্রা খনবা হীরম খরগী মতাংদা কোংগ্রেস এম এল এ ৪না মুভ তৌদুনা থাজিনখিবা প্রাইভেট মেম্বর রিজোলুসনশিং অমত্তা লৌখৎপীরক্ত্রে হায়খি।

অদুগা কুমজা ২০২২দা এন আর সীগী মতাংদা লৌখিবা রিজোলুসন অদু হৌজিক করি ফীভম য়ৌখ্রে, ৱাজাউ ঙাঙবগী মহুত্তা থবক্তা ওন্থোকহন্নীংই হায়খি। ওপোজিসন এম এল এশিংনা খন্নসি হায়রিবা কংলা মীফমদা এন আর সীসু অদুমক য়াওজরবনি হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবদা শরুক য়াখিবা কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী দেপ্যুটি লিদর কে রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখিবদা ওপোজিসন এম এল এশিংনা পুখৎলকপা অদু ৱারেপ ওইনা লৌগনি হায়বা লৈতে। মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা প্রাইভেট মেম্বর রিজোলুসনগীদমক মীতৈ ফূরুপ্প এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগী মতাংসু য়াওনা থাজিনখিবনি অদুবু অমত্তা লৌখৎলকখিদ্রে হায়খি।

লমদমসিদা থোক্লিবা ইস্যুশিংগী মতাং অমসুং হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিবু লোইশিন্নবা ৱাফম ফোঙদোক্কবগী খুদোংচাবা পীদ্রবনিনা দেমোক্রেসি অমদি কন্সটিট্যুসনগী চৎন-কাঙলোন লৈত্রে হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি। ঙসি মহাক্না ক্বেসন অৱারদা হংখিবা ৱাহং অমগা মরী লৈননা চিফ মিনিষ্টরনা ওন্ন-তৈনবা পাউখুম পীরে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লদুনা 'সী এম নর্ভস চৎলে, ৱাখল খন্থবগী ব্রেন মাঙখ্রে' হায়বা ৱাফম ফাওবা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# চুড়াচান্দপুরগী দি সী ১সুং এস পিগী ওফিস বেসোন...

*লমায় ১গী মখা...* ***অহুমগী ফিরাল চিংথখ্রে, দি সী-এস পিগী ওফিস বেসোন তাখ্রে'*** হায়বা পাউদা য়ূম্ফম ওইরদুনা পুখৎলকখিবা কোল্লিং এটেন্সন মোসনগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মোসন অসিবু থাঙ্গৎলদুনা কে মেঘচন্দ্রনা হায়, লমদমসিদা থোক্লিবা হাৎন-শুনবা অমদি ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা লৈঙাক অমদি মীয়ামগী লন-থুম ময়াম অমাঙ অতা থোকখ্রে। চুড়াচান্দপুরদা থৌদোক থোকখিবা নুমিৎ অদুদসু দি সী ওফিসনচিংবা মৈ থাবা অমদি ইনিদয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল ফাওবা চিংথখিবা হায়বসি লাইবক থীবনি। মচু অহুমগী ফিরাল চিংথদুনা উশিত্তবা উৎপসি 'প্রিভেন্সন ওফ ইন্সল্টস টু নেসনল ওনর এক্ট, ১৯৭১' গী মখাদা চৈরাক ফংফম থোকই। দি সীগী ওফিস মৈ থাবা খক্তা নত্তনা থৌদোকসিগী মতুং তারকপদা চুড়াচান্দপুরদা লৈঙাক্কী ওফিসশিংগী এমপ্লোয়ীশিং ফাওবা কাবা য়ারোই হায়না খঙহল্লকখিবা লৈখ্রে।

নাকল অমরোমদা, লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমসু ওইরিবা গোবিন্দাস কোন্থৌজম্না পাউচেদা অমদি মহাক্কী সোসল মীদিয়া 'এক্স' তা মীতৈ কুকি হাৎনফমগী হৌরকফম পাওলিয়ানলাল হাওকিপনি হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনিনা থৌদোকসিগী মতাংদা করি করম্বা এক্সন লৌখৎপা লৈরবগে হংখি।

কোল্লিং এটেন্সন মোসন অসিগী পাউখুমদা হোমগী থবকসু পুরিবা হাউসকী লিদরনা মমাঙ থাগী ১৫দা চুড়াচান্দপুরদা থোকখিবা থৌদোক অদু লৈঙাক্লা য়াম্না হকচিন্না লৌই। নুমিৎতুদা দি সী ওফিসকী কা ২ মৈনা চাকই অদুবু মতম চানা কনবদি ঙমহৌখি। দি সীগী বঙ্গলোদি কনবা ঙমহৌদে অদুগা এস পিগী ওফিসতি করিসু থোইদোকপা তৌখিবা লৈতে হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, সস্পেন্দ তৌখিবা পর্সনেল অদু কুকি মিলিটেন্টশিংগা পূন্না লৈমিন্নবগী ফোটো অমদি ভিদিও ভাইরেল ওইরকপদগী এস পিনা মরম চাদা সস্পেন্দ তৌখিবনি। নুমিৎ অদুদা থোকখিবা ঈরাং অদুসু মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা হায়বগা লোয়ননা হাউসকী মেম্বর পাওলিয়ানলাল হাওকিপনা নুমিৎ অদুগী নুমিদাং পুং ৮.৪০ অদুৱাইদা তম্পাক্তদি লৈঙাক্লা করিসু তৌদে হায়বনচিংবা অরানবদা য়ূম্ফম ওইবা পোষ্ট অমা থাগৎলকপদগী ঈরাং হেন্না চাউথোরকখিবনি হায়খি। মরম অসিনা মহাক্কী মথক্তসু লৈঙাক্লা এফ আই আর কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিন্নবা হোৎনরি হায়খি।

নুমিৎ অদুদা অশোক অপন অমদি অশি অনা য়াওখিবা অদুসু প্রোটেক্ট অদুদা য়াওবা মীওই খরনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সিক্যুরিটিনসু লৈঙাক্কী অমদি মীয়ামগী লন থুম ঙাক শেন্নবা নোংমৈ কাপখিবনি। সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগী অহানবদা লাথি চার্জ অমদি মোক বোমগুম্বা শীজিন্নরবসু খূৎলায় পায়বশিংনা হান্না কাপশিল্লত্তুনা সিক্যুরিটি পর্সনেল অমা থবাক্তা পান্দুনা শোকখি। বুলেট প্রুফ উপহৌবদগী করিসু তৌহৌদবনি। নুমিৎতুদা পুলিস পর্সনেল ৬, এ আর ১ অদুগা মীওই ৪৩ শোক্লগা মীওই ২না লৈখিদে হায়না হাউসতা থমখি।

থৌদোক অদুগী ভিদিও ফুটেজ নীংথিনা লৈ অমদি ভিদিওদা এ কে ৪৭ পায়বা মী উবগা লোয়ননা মীওই ২০ লোম মশক খঙদোক্লে। কেস ৮ লৌখৎপগী মনুংদা ২ সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসনদা শিন্নখ্রে হায়খি।


মোসন অসিগী মখা তাবা পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা নুমিৎ অদুদা লৈঙাক্কী ওইবা রেকোর্দকুম্বশিং মৈ চাকখিবা লৈতে। লমদমসিদা মৈহৌ লাংপোকপগী খুদোংথিবা থোরকপা নৎত্রগা ঈশিং ঈচাও থোরকপা মতমদা রেকোর্দশিং মাঙদনবা লৈঙাক্লা দিজিটাইজেসন তৌবগী থবক নীংথিনা লৌখৎলে। হৌজিক ফাওবদা লৈঙাক্কী রেকোর্দশিং চাদা ৮০ রোম দিজিটাইজেসন তৌরে হায়খি।

GAS NEWS

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK**
**Booking upto date**
**Stock:306**
Home Delivery only
Delivery within 4 days
Time: 8:30am to 11:00am
**KHORIPHABA**
**Bk. Uptodate**
Mobile no:8787632782 / 7005229445
(home delivery)
Miss call for booking: 8454955555
(from regd. Mobile)
All the customers are requested to update their mobile no at office from 10 am to 1.30 pm
**M/S K&K INDANE SERVICE, HOME DELIVERY ONLY**
**BOOKING UPTODATE**
CALL TIMING: 8AM TO 12NOON
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Tiddim line. Mayai Lambi. Imphal East. Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
8787530107 / 8014963395 /9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 / 98622 39855 8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839, / 8014963395
LAMSHANG A/C - 9612493837 / 8014963395
**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTO 30/01/24** VALID FROM 24/01/24 HOME DELIVERY ONLY CONTACT NO. 8259939561/9089709738 OFFICE TIMMING 9:AM TO 3PM WILL BE DELIVERY FOR THREE DAYS
**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 02-02-24**
Valid from 30-01-23
Only home delivery sarvice
Office no. 9774068549
Home delivery contract no. 8974511936
Message no. 8974511936
**Stock. 306**
Time 7.am to 9.am
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-21-02-2024,**
VALID FROM 17-02-2024,
**STOCK: 306,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423, CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
**BOOKING UPTO DATE**
TIMING 9:00 AM TO 12:AM
CONTACT NUMBER
FOR ALL IMPHAL-WEST , IMPHAL-EAST & LANGOL
8131942156 (SMS ONLY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
7628077876(enquiry)




HL-B/8348/2,3,4




HL-P-9642/18-29/1-18march



## OFFICE OF THE CHUMTHANG CREATIVE ARTISTE ASSOCIATION

### পাউজেঞ্জবা

লাক্লিবা তাং ৭-৩-২০২৪গী নুংথিল পুং অমা তাবা মতমদা চুমথাং ক্রিএটিভ আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী চহীগী মীফম অমা সেক্রেটরি, আর কে জয়কুমারগী য়ূমদা পাঙথোকচগনি। এসোসিএসনগী আর্টিষ্টশিংনা লাকপীনবা পাউজেঞ্জরি।

**Agenda : Development of Association**

মীটিং তৌফম : থাংজম লৈকায়, এ পি রোদ

**Sd/- Secretary**
**Chumthang Creative Artiste Association**
**# 6009160073**

HL-P/9802/2

## Lam Yonjari

Point 10, Point 20 amasung Point 30 Chaoba Lam ama athubagi Yonjari. Louningba Mioingsingna Point macha macha natraga apamba Point oina loujage hairabasu yagani. Ahanba lakpa mioisingda khudong chabasu pijari. Mafamna Khurai Thongam Leikai, Imphal East.

Pambiba mioisingna makhagi contact number asida pao pibirak u.

HL-P/9795/2,4,6,8,10 **Contact No. 9366654857**

## EMPLOYMENT NEWS

| SL.NO. | NAME OF THE POST | QUALIFICATION | AGE | SALARY |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Security | VII | Upto 45 | 7,000 - 13,000 |
| 2 | Helper (Delhi) | - | 30 - 50 | 15,000 |
| 3 | Loan Officer | X/XII | Upto 35 | 6,500 - 10,000 |
| 4 | Cargo Loader (Airport) | X/XII | Upto 26 | 11,500 & Above |
| 5 | Front Sales Executive (Airport) | XII | Upto 27 | 16,000 - 20,000 |
| 6 | Lounge Associate (Airport) | XII | Upto 27 | 17,000 & Above |
| 7 | Customer Service Associate (Airport) | XII | Upto 27 | 18,000 - 22,000 |
| 8 | Guest Relation Executive (Airport) | XII | Upto 27 | 17,000 - 20,000 |
| 9 | Account Opening Staff (Axis Bank) | GRADUATE | Upto 29 | 18,000 & Above |
| 10 | Business Development Executive (Axis Bank) | GRADUATE | Upto 29 | 18,000 - 20,000 |
| 11 | Sales Officer (Axis Bank) | GRADUATE | Upto 29 | 18,500 22,000 |
| 12 | Value Banker (ICICI Bank) | GRADUATE | Upto 26 | 20,000 -25,000 |
| 13 | Relationship Manager (ICICI Bank) | GRADUATE | Upto 26 | 22,000 - Above |

Last Dt. of Form Submission : 06/03/24
Dt. of Interview : 07/03/24
# 7005947474
EFEC
Wahengbam Leikai
Near Hotel Bheigo
Kaidongfam Building

HL-P/9063/26,28,1,2,3,5

## SCHOOL ADMINISTRATOR WANTED

*Person/persons who can take over the management of a high school in Imphal may contact* ***7902357318.***

HL-P/9797/2

## Name Correction

I, Dinesh Bhattarai, a resident of Kanglatongbi Hathikhuwa, Imphal West District would like to correct my father's name to Jeet Bahadur Bhattarai from Jiten Bhattarai vide an affidavit sworn before the Oath Commissioner (Judicial) Imphal West, Manipur dated Ist March, 2024.

**Sd/- Dinesh Bhattarai**
S/o Jeet Bahadur Bhattarai
Kanglatongbi Hathikhuwa

HL-P/9796/2

## ইস্কোল য়োঞ্জরি

য়ূমগী শরুক্না অয়াম্বা ওইবা দুকান অমসু য়াওবা পোইন্ট ১৭কী ইস্কোল অমা য়োঞ্জরি। মফম্না মালোম মনীং লৈকায় রেলৱে ষ্টেসন মনাক।

HL-P/9753/29,1&2 **Contact : 9856147740/9612257680**

## N.V.S.

## M/S BHUBON & LEIREN BRICK FIELD

Kakching Lamdong

| CLASS | RATE PER Brick |
|---|---|
| 1st Class | 14.2 |
| 2nd Class | 13.2 |
| 1st Reject | 12.5 |
| Reject | 11.5 |
| Jamat | 11.5 |
| Ist PT | 12.3 |
| 2nd PT | 10.5 |
| 3rd/Grd 1 | 8 |
| 3rd/Grd 2 | 6.5 |

1st/Chektek 1 Load 407 Canter : 5,500
3rd/Chektek 1 Load 407 Canter : 3,000
Office Cont. No :
8618055934, 9378107273, 9383152946
* Transport Charge Extra.
N.B : (koyla & singna mei eekpa quality leiba laxmi & dayal gi brick animak fangbigani)

HL-B/8588/25-29/1-10march




HL-B/8555/16